



# সনালৈবাক স্পোর্টস

IMPHAL, SUNDAY, JUNE 10, 2018 PAGE 7


*ফ্রেঞ্চ ওপন গ্রান্দ স্লাম টেন্নিস টুর্নামেন্টকী নুপীগী সিঙ্গলস ফাইনেলদা ৱার্ল্ড নম্বর ৱান রোমানিয়াগী সাইমোনা হালেপকী মখূত্তা মায়থিহৌদুনা রন্নর্স অপ তাহৌরবা য়ুএসএগী শান্নরোই স্লোনে ষ্টেফেন্স*

*মালেসিয়াগী চাং এলাইস লি সিয়ানবু গেম ৪–১ দা মায়থিবা পীদুনা চহী অসিদা পাঙথোক্কদৌরিবা য়ুঠ ওলিম্পিক গেমসকীদমক ক্কালিফাই ওইখ্রবী ইন্দিয়াগী নুপী পেদ্দলর অর্চনা কমাথ*



## ইন্দিয়ানা পাকিষ্টানবু ৱিকেট ৭ তা মায়থিবা পীদুনা ৱুমেন্স এসিয়া কপ টি–২০ ক্রিকেট টুর্নামেন্টকী ফাইনেলদা বাংলাদেশকা শান্নরগনি



ইন্দিয়াগী নুপী ক্রিকেট শান্নরোইশিংনা পাকিষ্টানগী ৱিকেট লৌরবা মতুং হরাওবা ফোঙদোকমিন্নবা

*কোলা লুম্পুর, জুন ০৯ঃ*

মালেসিয়ানা য়ুম্বু ওইরগা পাঙথোক্লিবা ৱুমেন্স এসিয়া কপ টি–২০ ক্রিকেট টুর্নামেন্টকী লীগ মেটচ অমদা ইন্দিয়াগী নুপীগী ক্রিকেট টিম্না পাকিষ্টানবু ৱিকেট ৭ তা মায়থিবা পীদুনা ফাইনেলদা বাংলাদেশকা শান্নরগনি।

ইন্দিয়া অমসুং পাকিষ্টাননা শান্নখিবা লীগ মেটচ অদুগী টোস পাকিষ্টাননা ঙমদুনা বেট্টিং হান্না তৌরকপদা ওভর ২০ শান্নবদা ৱিকেট ৭ তুরগা রন ৭২ খক লৌখি।

পাকিষ্টানগী ইন্নিংস অদু হৌরকপদা ফিভম শোকখি। ওপনর নাইন অবিদি রন অমত্তা লৌবা ঙমদনা আওট ওইখি। পাকিষ্টানগী ইন্নিংস অদু স্কোর বোর্দতা রন ৪৮ লৈবদা ৱিকেট ৫ তুখি।

ওপনর নাহিদা খান বোল ২৭ মায়োক্লবদা ফোর ২ য়ৈরগা রন ১৮ লৌরল্লগা আওট ওইখি। ৬শুবা বেটসৱুমেন সানা মিরনা বোল ৩৮ মায়োক্লবদা আওট ওইদনা রন ২০ লৌরম্বা অদুনা পাকিষ্টানগী ইন্নিংস অদুগী খ্বাইদগী ফজবা স্কোর ওইখি। অতোপ্পা বেটসৱুমেনশিংদি রন ১০ য়ৌবা অমত্তা য়াওখিদবদগী মখোয়গী ইন্নিংস অদু ওভর ২০ শান্নবা লোইশিনখিবদা ৱিকেট ৭ তুরগা রন ৭২ খক লৌবা ঙমখি।

ইন্দিয়াগী বোলিংগী মায়কৈদা ইকতা বিষ্টনা পাকিষ্টানগী ৱিকেট ৩ লৌখিবা অদুনা ইন্দিয়াগী বোলরশিংগী মনুংদা খ্বাইদগী ফজবা ওইখি।

মায় পাক্লবগী লৈখিবা রন ৭৩ গী টার্গেট অদু ১৭শুবা ওভরগী অহানবা বোলদা ৱিকেট ৩ তুরগা রন ৭৫ লৌখিবদগী মেটচ অদু ইন্দিয়ানা পাকিষ্টানবু ৱিকেট ৭ তা মায়থিবা পীখি।

ইন্দিয়াগী ওপনর মিথালি রাজ রন অমত্তা লৌবা ঙমদনা অহানবা ওভরদা আওট ওইখি। অহুমশুবা বেটসৱুমেন দিপ্তি শর্ম্মসু বোল ২ মায়োক্লবদা রন অমত্তা লৌবা ঙমদনা আওট ওইখিবদগী ইন্দিয়াগী ইন্নিংস অদু ফিভম শোকচিল্লকখি। মতম অদুদা ইন্দিয়াগী স্কোর অদু রন ৫ দা ৱিকেট ২ তুখি।

অতোপ্পা ওপনর স্মৃতি মন্ধনা অমসুং ৪শুবা বেটসৱুমেন ইন্দিয়াগী নুপী টিম অসিগী কেপ্টেন ওইরিবা হর্মনপ্রিত কোরনা য়াম্না ফজবা পার্টনর্সিপ অমা শেমদুনা স্কোর অদু ৭০ য়ৌহল্লকখি।

ওপনর স্মৃতি মন্ধনা বোল ৪০ মায়োক্লবদা ফোর ৪ য়ৈরগা রন ৩৮ লৌরল্লগা আওট ওইখিবদগী ইন্দিয়াগী অহুমশুবা ৱিকেট তুখি।

মতুং তারকপদা কেপ্টেন হর্মনপ্রিত কোরনা য়াম্না ফজবা বেট্টিংগী পার্ফোমেন্স উৎপা ঙমদুনা বোল ৪৯ দা ফোর ৩ য়ৈরগা আওট ওইদনা রন ৩৪ লৌদুনা পাকিষ্টাননা লৌরম্বা রন ৭২ অদু লাম্হোক্তুনা ৱিকেট ৭ তা থোইদুনা ফাইনেলদা বাংলাদেশকা লম্বা তৌনরগনি।

ইন্দিয়াগা ফাইনেলদা লম্বা তৌগদৌরিবা বাংলাদেশনা ঙসি শান্নখিবা ৱুমেন্স এসিয়া কপ টি–২০ ক্রিকেট টুর্নামেন্ট অসিগী অতোপ্পা লীগ মেটচ অমদা টুর্নামেন্ট অসিগী য়ুম্বু লৈবাক মালেসিয়াবু রন ৭০ দা মায়থিবা পীরম্বনি।

## মীজোরামগী বোক্সর নুটলাই লালবিয়াকিমানা রিও ওলিম্পিক্স চেম্পিয়ন উজবেকিষ্টানগী বোক্সর হাসনবোই দুসমাটোভপু মায়থিবা পীখ্রে

*অষ্টানা, জুন ০৯ঃ*

কজাখষ্টানগী সিটি অষ্টানাদা চথরিবা প্রসিদেন্টস কপ বোক্সিং টুর্নামেন্টকী ঙরাং অথেংবদা থিন্নখিবা কেজি ৪৯ গী কেটেগোরিদা শরুক য়াখিবা মীজোরামগী নুপা বোক্সর নুটলাই লালবিয়াকিমানা রিও ওলিম্পিক্সকী চেম্পিয়ন উজবেকিষ্টানগী বোক্সর হাসনবোই দুসমাটোবু ক্কার্টর ফাইনেল বাওট অমদা মায়থিবা পীদুনা সেমি ফাইনেল য়ৌখ্রে।



ইন্দিয়াগী বোক্সর নুটলাই লালবিয়াকিমা (ওই) না বাওট মায় পাক্লবা মতুং হরাওবা ফোঙদোকপা

ইন্দিয়াগী নুটলাই লালবিয়াকিমা অমসুং উজবেকিষ্টানগী হাসনবোই দুসমাটোভনা থিন্নখিবা বাওট অদু অহৌবা রাউন্দদগী হৌরগা ইন্দিয়াগী বোক্সর অদুনা দোমিনেট তৌদুনা চৎখি।

ক্কার্টর ফাইনেল বাওট অদু লোইশিল্লকপদা ইন্দিয়াগী বোক্সর লালবিয়াকিমানা উজবেকিষ্টানগী বোক্সর হাসনবোই দুসমাটোভপু পোইন্ট ৪–১ দা হেন্দুনা মায় পাকখিবদগী প্রসিদেন্টস কপ বোক্সিং টুর্নামেন্ট অসিগী কেজি ৪৯ গী কেটেগোরিদা সেমি ফাইনেল য়ৌবা ঙমখি।

পনবা য়াবদি ইন্দিয়াগী বোক্সর লালবিয়াকিমানা মায়থিবা পীরম্বা উজবেকিষ্টানগী বোক্সর হাসনবোই দুসমাটোভ মমাঙ চহীদা পাঙথোকখিবা বোক্সিং ৱার্ল্ড চেম্পিয়ন্সিপকীসু সিলভর মেডল ফংবা ঙমখিবা বোক্সরনি।

প্রসিদেন্ট কপ বোক্সিং টুর্নামেন্ট অসিগী নুপাগী কেজি ৫২ কাঙলুপ্তা শরুক য়াখিবা হান্নগী য়ুঠ ৱার্ল্ড চেম্পিয়ন ইন্দিয়াগী বোক্সর সচিন সিৱাচনা থাইলেন্দগী বোক্সর য়ুরাচাই ৱুট্টিচাইবু ক্কার্টর ফাইনেল বাওট অমদা পোইন্ট ৪–১ দা মায়থিবা পীরল্লগা মহাকসু সেমি ফাইনেল য়ৌবা ঙমখি।

টুর্নামেন্ট অসিগী নুপাগী কেজি ৬২ দা শরুক য়াখিবা ইন্দিয়াগী বোক্সর দেভান্সু জাইসৱাল ক্কার্টর ফাইনেল বাওট অমদা উজবেকিষ্টানগী বোক্সর মেলিকুজিয়েভ বেকটেমিরগী মখূত্তা মায়থিহৌদুনা সেমি ফাইনেল য়ৌবা ঙমদনা লৈহৌখি।

## ইন্দিয়া অমসুং কেনিয়ানা ইন্টরকোন্টিনেন্টেল কপ ফুটবোল টুর্নামেন্টকী ফাইনেলদা ঙসি লম্বা তৌনরগনি

*মুম্বাই, জুন ০৯ঃ*

মথং চহীদা য়ুএইদা পাঙথোক্কদৌরিবা এএফসি এসিয়া কপকী শেম শাবা ওইনা ইন্দিয়ানা য়ুম্বু ওইদুনা লৈবাক ৪ না শান্নরিবা ইন্টরকোন্টিনেন্টেল কপ ফুটবোল টুর্নামেন্টকী ফাইনেলদা হয়েং ইন্দিয়া অমসুং কেনিয়া লম্বা তৌনরগনি।



কেনিয়া অমসুং চাইনিজ তাইপৈগী শান্নরোইশিংনা ইন্টরকোন্টিনেন্টেল কপকী মেটচ অমদা বোল মুন্নবা

লৈবাক ৪ না শান্নরিবা কম্পিটিসন অসিদা ইন্দিয়াগী টিম মেটচ ৩ শান্নবদা মেটচ ২ মায় পাক্লবা মতুং মেটচ অমা মায়থিরগা পোইন্ট ৬ ফংদুনা গোল দিফরেন্সতা কেনিয়াদগী হেন্দুনা মকোক ওইবা ঙমখি।

ইন্দিয়ানা অহানবা মেটচ ওইনা শান্নখিবদা চাইনিজ তাইপৈবু পাঞ্জল ৫–০ দা মায়থিবা পীরম্বনি। অনীশুবা মেটচতা কেনিয়াবু পাঞ্জল ৩–০ দা থোইরমখি। অদুগা গ্রুপকী অরোইবা মেটচতা ন্যু জিলেন্দগী মখূত্তা পাঞ্জল ১–২ দা মায়থিহৌবনি।

ইন্দিয়াগা ফাইনেলদা লম্বা ওইগদৌরিবা কেনিয়াসু মেটচ ৩ শান্নবদা মেটচ ২ মায় পাকপা অমদি মেটচ অমা মায়থিদুনা পোইন্ট ৬ ফংলগা টেবলগী অনীশুবদা লৈখিবনি।

ইন্টরকোন্টিনেন্টেল কপ ফুটবোল টুর্নামেন্ট অসিগী ঙরাং অথেংবদা শান্নখিবা গ্রুপকী অরোইবা মেটচতা কেনিয়ানা চাইনিজ তাইপৈবু পাঞ্জল ৪–০ দা মায়থিবা পীখি।

করিগুম্বা কেনিয়া অমসুং চাইনিজ তাইপৈনা শান্নখিবা মেটচ অদু পাঞ্জল অনীদগী হেন্না চনবা ঙমদনা থোইরম্বা তারবদি গোল দিফরেন্সতা ন্যু জিলেন্দনা হেনখিদুনা ফাইনেলদা ইন্দিয়াগা লম্বা তৌনবা য়াবগী খুদোংচাবা লৈরম্বনি।

কেনিয়া অমসুং চাইনিজ তাইপৈনা শান্নখিবা মেটচ অদুগী অহানবা হাল্ফ হৌরকপদা টিম অনীমক য়াম্না লম্বা মান্নরকখি। অহানবা হাল্ফকী অপীবা মিনট ৪৫ অদুদা মায়কৈ অনীদগী পাঞ্জল চনশিন্ননবা হোৎনখিবশিং অদুগী মখোয়–মখোয়গী দিফেন্দরশিংনা নীংথিনা লম্বা পীবা ঙমখিবদগী পাঞ্জল অমত্তা চন্নদনা লোইশিনখি।

অনীশুবা হাল্ফ শান্নবা হৌরকপদা কেনিয়াগী শান্নরোইশিংনা এটেক হেন্না তৌদুনা পাঞ্জল চনশিন্নবা হোৎনরকখি। শান্নবগী ৫২শুবা মিনটতা কেনিয়াগী শান্নরোইশিংনা চত্থরকখিবা এটেক অমদা দেনিস ওধিয়াম্বোনা মেটচকী অহানবা পাঞ্জল অদু চন্দুনা চাইনিজ তাইপৈবু ১–০ দা মাঙজিল থাবা ঙমখি।

পাঞ্জল অমা হেল্লবা কেনিয়াগী শান্নরোইশিংনা শান্নবগী ৫৫শুবা মিনটতা চত্থরকখিবা এটেক অমদা পেনাল্টি অমা ফংখি। খুদোংচাবা অদু টিম অদুগী শান্নরোই জোকিন্স অটুদোনা পাঞ্জল ওন্থোক্তুনা চাইনিজ তাইপৈবু পাঞ্জল ২–০ দা হেন্দুনা চৎখি।

শান্নবগী ৭০শুবা মিনটতা পাঞ্জল মাঙজিল থারিবা কেনিয়াগী মখা তাবা এটেক অমদা টিমোথি ওটিনোনা পাঞ্জল অমগা চনবা ঙমখি।

শান্নবগী ৮৮শুবা মিনটতা কেনিয়াগী শান্নরোই জোকিন্স অটুদোনা পাঞ্জল অমগা চন্দুনা মেটচ অদু চাইনিজ তাইপৈবু ৪–০ দা মায়থিবা পীদুনা গোল দিফরেন্সতা ন্যু জিলেন্দদগী হেন্দুনা ফাইনেলদা ইন্দিয়াগা লম্বা তৌনগদৌরিবনি।

## রোমানিয়াগী সাইমোনা হালেপনা ফ্রেঞ্চ ওপন টেন্নিস টুর্নামেন্টকী নুপীগী সিঙ্গলস টাইটল লৌখ্রে



ফ্রেঞ্চ ওপনগী নুপীগী সিঙ্গলস টাইটল লৌখ্রবী রোমানিয়াগী সাইমোনা হালেপ

*পেরিস, জুন ০৯ঃ*

ফ্রান্সকী সিটি পেরিসতা চথরিবা ফ্রেঞ্চ ওপন গ্রান্দ স্লাম টেন্নিস টুর্নামেন্টকী ঙসি শান্নখিবা নুপীগী সিঙ্গলস ফাইনেলদা নম্বর ৱান সিদেদ রোমানিয়াগী সাইমোনা হালেপনা য়ুএসএগী স্লোনে ষ্টেফেন্স মায়থিবা পীদুনা টাইটল লৌখ্রে।

টুর্নামেন্ট অসিগী নম্বর ৱান সিদেদ ওইরিবা রোমানিয়াগী সাইমোনা হালেপনা ১০শুবা সিদেদ শান্নরোই য়ুএসএগী স্লোনে ষ্টেফেন্সপু ফাইনেল মেটচ অদুদা সেট ২–১ দা মায়থিবা পীরম্বনি।

নীংশিংবা য়াবদি রোমানিয়াগী সাইমোনা হালেপনা ঙরাং শান্নখিবা সেমি ফাইনেলদা ৩শুবা সিদেদ স্পেনগী গার্বিন মুগুরুজাবু ৬–১, ৬–৪ দা য়াম্না কোম্না মায়থিবা পীদুনা ফাইনেল য়ৌরকপনি।

অমরোমদা য়ুএসএগী স্লোনে ষ্টেফেন্সনা ঙরাং শান্নখিবা মহাক্কী সেমি ফাইনেলদা ১৩শুবা সিদেদ য়ুএসএগী অতোপ্পা শান্নরোই মেদিসন কিজবু ৬–৪, ৬–৪ দা থোইরম্বনি।

ফ্রেঞ্চ ওপন গ্রান্দ স্লাম টেন্নিস টুর্নামেন্ট অসিগী ঙসি শান্নখিবা নুপীগী সিঙ্গলস ফাইনেলগী অহানবা সেট অদুদা স্লোনে ষ্টেফেন্সনা মকোক থোংবা শান্নরোই ওইরিবী রোমানিয়াগী সাইমোনা হালেপকী সার্ভিস গেম অমা ব্রেক তৌদুনা ৬–৩ দা থোইদুনা সেট অমা মাঙজিল থাখি।

অনীশুবা সেট অদুদা এক্সপরিয়েন্স হেল্লবা রোমানিয়াগী সাইমোনা হালেপনা কন্না হোৎনরক্তুনা য়ুএসএগী স্লোনে ষ্টেফেন্সকী সার্ভিস গেম অমা ব্রেক তৌদুনা ৬–৪ দা থোইদুনা ফাইনেল মেটচ অদু সেট অমমম মান্নখি।

অহুমশুবা অমদি দিসাইদিং সেট অদুদা এক্সপরিয়েন্স হেল্লবী রোমানিয়াগী সাইমোনা হালেপনা য়ুএসএগী স্লোনে ষ্টেফেন্সকী সার্ভিস গেম অনী ঙন্না ব্রেক তৌদুনা ৬–১ দা থোইদুনা ফ্রেঞ্চ ওপন গ্রান্দ স্লাম টেন্নিস টুর্নামেন্ট অসিগী নুপীগী সিঙ্গলস টাইটল অদু লৌবা ঙমখি।

ঙসি অথেংবদা নুপাগী দবলসকী ফাইনেল লম্বাদা ফ্রান্সকী পেয়র পিয়েরি হর্বর্ট অমসুং নিকোলাস মহুটনা ওষ্ট্রিয়াগী ওলিভর মারাক অমসুং ক্রোএসিয়াগী মাটে পেভিসিকা লম্বা তৌনগনি।

## ইন্দিয়াগী এঠলিট টেজাস্বিন সঙ্করনা গোল্ড লৌখ্রে

*য়ুজেনি, জুন ০৯ঃ*

ইন্দিয়াগী এঠলিট টেজাস্বিন সঙ্করনা য়ুএসএগী সিটি য়ুজেনিদা পাঙথোকখিবা য়ুনাইটেদ ষ্টেটস নেসনেল কোলিজিয়েট এঠলেটিক্স ত্রেক্ত এন্দ ফিল্ড চেম্পিয়ন্সিপকী হাই জম্প দিসিপ্লিনদা গোল্ড মেডল লৌখ্রে।

নীংশিংবা য়াবদি মশাগী চহী ১৯ শুরবা দিল্লিগী এঠলিট অসি হন্দক পাঙথোক্কদৌরিবা ইন্দোনেসিয়াগী এসিয়ান গেমস অসিদা ঙকশম শোকপনা মরম ওইরগা গেমস অসিদা য়াওদনবগীদমক ফিরেপ লৌখিবনি।

ইন্দিয়াগী এঠলিট টেজাস্বিন সঙ্করনা ঙসি পাঙথোকখিবা য়ুনাইটেদ ষ্টেটস নেসনেল কোলিজিয়েট এঠলেটিক্স ত্রেক্ত এন্দ ফিল্ড চেম্পিয়ন্সিপকী হাই জম্প দিসিপ্লিন অদুদা মিটর ২.২৪ চোংদুনা অমেরিকান ইন্টর–য়ুনির্ভসিটি টাইটল অসি লৌবা ঙমখিবনি।

টেজাস্বিননা চেম্পিয়ন্সিপ অসিগী হাই জম্প ইভেন্টতা টাইটল লৌখিবা অসিনা ইন্দিয়াগী এঠলিটশিংগী মনুংদা অহুমশুবা ওইবা ঙম্লি। মমাঙদা ইন্দিয়াগী ত্রিপল জম্প এঠলিট মোহিন্দর সিংহ গিল অমসুং দিস্কস থ্রোৱর বিকাস গোদানা লৌখিবনি।

## ইন্দিয়াগী এঠলিট অনু কুমারনা এসিয়ান জুনিয়র এঠলেটিক্স চেম্পিয়ন্সিপকী নুপাগী মিটর ৮০০ গী গোল্ড মেডল লৌখ্রে

*গিফু, জুন ০৮ঃ*

জপাননা য়ুম্বু ওইরগা লৈবাক অদুগী সিটি গিফুদা পাঙথোক্লিবা ১৮শুবা এসিয়ান জুনিয়র এঠলেটিক্স চেম্পিয়ন্সিপকী ঙসি পাঙথোকখিবা নুপাগী মিটর ৮০০ গী লমজেলদা ইন্দিয়াগী এঠলিট অনু কুমারনা গোল্ড মেডল লৌখ্রে।



নুপাগী মিটর ৮০০ গী লমজেলদা গোল্ড ফংখ্রবা ইন্দিয়াগী অনু কুমার

ঙসি পাঙথোকখিবা নুপাগী মিটর ৮০০ গী লমজেল অদুদা ইন্দিয়াগী এঠলিট অনু কুমারনা ১ঃ৫৪.১১ সেকেন্দদা গোল্ড মেডল অদু লৌবা ঙমখি।

নীংশিংবা য়াবদি ইন্দিয়াগী এঠলিট অনু কুমার ফ্রান্সতা পাঙথোকখিবা ৱার্ল্ড স্কুল গেমসতা নুপাগী মিটর ৮০০ গী লমজেলদা সিলভর মেডল ফংবা ঙমখিবা শান্নরোইনি। অদুগা চহী অসিগী এপ্রিল থাদা পাঙথোকখিবা জুনিয়র ফেদরেসন কপ্তা ১ঃ৫০.৬০ সেকেন্দদা চেন্দুনা গোল্ড মেডল লৌবা ঙমখিবনি।

ঙসি পাঙথোকখিবা নুপাগী মিটর ৮০০ গী ইভেন্ট অদুদা ইরানগী এঠলিট অবদোলরাহিম দোর্জাদেনা ১ঃ৫৪.২৩ সেকেন্দদা সিলভর মেডল ফংলগা চেম্পিয়ন্সিপ অসিগী য়ুম্বু লৈবাক জপানগী এঠলিট ফুকি টোরিনা ১ঃ৫৪.৫৫ দা ব্রোঞ্জ মেডল অদু লৌবা ঙমখি।

১৮শুবা এসিয়ান জুনিয়র এঠলেটিক্স চেম্পিয়ন্সিপ অসিগী ঙসি পাঙথোকখিবা নুপাগী টিম রিলে ইভেন্টতা ইন্দিয়াগী এঠলিট প্রাজৱাল মান্ধনা, কেকেরা রবি, অকাস কুমার অমসুং নিটিন বালাকুমারনা ৪০.৭৫ সেকেন্দদা ব্রোঞ্জ মেডল লৌখি।

ইভেন্ট অদুগী গোল্ড মেডল অদুনা য়ুম্বু লৈবাক জপানগী টিম্না ৩৯.৬৫ দা লৌবা ঙমখি। অদুগা সিলভর মেডল অদুনা চাইনিজ তাইপৈগী টিম্না ৩৯.৭২ সেকেন্দদা ফংখি।

নুপীগী দিস্কস থ্রো ইভেন্টতা ইন্দিয়াগী এঠলিট অরপান্দিপনা মিটর ৪৬.৫৭ লংদুনা ইভেন্ট অসিগী ব্রোঞ্জ মেডল লৌবা ঙমখি।

ইভেন্ট অসিগী গোল্ড মেডল অদু চাইনাগী এঠলিট হুৱানহুৱান য়াংনা মিটর ৫১.৫৩ লংলগা ফংবা ঙমখি। লোয়ননা সিলভর মেডল অদুসু চাইনাগী এঠলিট য়ুৱানয়ুৱান য়িননা ৫১.১৭ দা লৌখি।

১৮শুবা এসিয়ান জুনিয়র এঠলেটিক্স চেম্পিয়ন্সিপ অসিদা ইন্দিয়ানা গোল্ড ৩, সিলভর ১ অমসুং ব্রোঞ্জ ৯ লৌবা ঙম্লি।

## ইন্দিয়াগী রেষ্টলর খাত্রি অমসুং পৱন এসিয়ান গেমসকীদমক ক্কালিফাই ওইখ্রে

*ন্যু দিল্লি, জুন ০৯ঃ*

ইন্দোনেসিয়ানা য়ুম্বু ওইদুনা ওগষ্ট ১৮ দগী পাঙথোক্কদৌরিবা ১৮শুবা এসিয়ান গেমসকী রেষ্টলিং দিসিপ্লিনদা ইন্দিয়াগী নুপাগী রেষ্টলর মোসম খাত্রি অমসুং পৱন কুমার ক্কালিফাই ওইখ্রে।

ঙসি পাঙথোকখিবা ত্রাইয়েলগী ফাইনেল রাউন্দদা কেজি ৯৭ কী কেটেগোরিদা শরুক য়ারিবা মোসম খাত্রিনা সত্যৱান্ট কাদিয়ানবু মায়থিবা পীরল্লগা এসিয়ান গেমস অসিগীদমক ক্কালিফাই ওইবা ঙমখিবনি।

নুপাগী কেজি ৫৭ কী কাঙলুপ্তা ইন্দিয়াগী নুপা রেষ্টলর পৱন কুমারসু ইন্দোনেসিয়াগী গেমস অসিগীদমক ক্কালিফাই ওইখি।

ইন্দোনেসিয়াগী এসিয়ান গেমস অসিদা শরুক য়াননবা নুপীগী রেষ্টলর খনবগী ত্রাইয়েল সেলেক্সন হয়েং লক্ষনৌদা পাঙথোক্লগনি।

## সুনেনা, টানভি অমসুং রমিট এসিয়ান গেমসকীদমক খনখ্রে

*চেন্নাই, জুন ০৯ঃ*

ইন্দিয়াগী স্কৱাস শান্নরোই সুনেনা কুরুভিল্লা, টানভি খানা অমসুং রমিট টন্দন ইন্দোনেসিয়ানা য়ুম্বু ওইরগা পাঙথোক্কদৌরিবা এসিয়ান গেমস অসিদা শরুক য়াননবগীদমক খনখ্রে।

ইন্দিয়াগী নুপীগী স্কৱাস শান্নরোই সুনেনা কুরুভিল্লা অমসুং টানভি খানা চেন্নাইদা লৈবা ইন্দিয়ান স্কৱাস এসোসিয়েসনগী কোর্টতা ত্রাইয়েল পাঙথোক্লবা মতুং খনখিবনি। শান্নরোই অনী অসিনা মখা তানা পাঙথোক্কদৌরিবা ৱার্ল্ড টিম স্কৱাস চেম্পিয়ন্সিপ্তা শরুক য়াগনি।

ইন্দিয়াগী নুপাগী স্কৱাস শান্নরোই রমিট তন্দন মমাঙদা পাঙথোকখিবা স্কৱাস টুর্নামেন্টশিংদা য়াম্না ফজবা পার্ফোমেন্স উৎপা ঙমখিবদগীদমক ইন্দোনেসিয়াগী এসিয়ান গেমস অসিগী নুপাগী স্কৱাদ লাওথোকপদা য়াওখিবনি।